তমেংলোং কোলেজদা রুসাগী ষ্টেট প্রোজেক্ট দিরেক্টোরেটনা স্পোন্সর তৌদুনা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি - ২০২০গী এৱেয়ার্নেস প্রোগ্রামদা য়ুনিভর্সিটি অমসুং হায়র এদ্যুকেসনগী জোইন্ট দিরেক্টর ডা. টি ওজিৎনা ৱা ঙাঙবা




লামায় ৪

ককচীংগী য়াম্বেম ফর্নিচরগী মপু ৱাই সৈত্যনা স্পোন্সর তৌদুনা ইনিসিএটিভ পব্লিক কন্ত্রিব্যুসন সেরিজ-১গী মনুং চন্না খা মণিপুর কোলেজনা পাঙথোকখিবা ক্যুইজ কম্পিটিসন্দা মকোক মথং তাখৎবশিংদা কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপালনা মনা-মথুম য়েন্থোকখিবা



লামায় ৫

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ওল্ড ৱারাংপল ভিলেজদা আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ২৬ সেক্টর এ আর চান্দেল বটালিয়ননা পাঙথোকখিবা কোভিদ এৱেয়ার্নেস প্রোগ্রামদা পেন্দমিক মায়োক্নবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা




এম এস পি দি সী এল অমসুং এম এস পি সী এলগী এমপ্লোয়শিংনা তরেৎশুবা পে অমসুং থা ১৩গী তোলোপ পীগদবনি হায়দুনা ৱাকৎ মীফম চথবরক্লগা নীনি চনবা নুমিৎতা রেল্লি চৎতুনা মখোয়গী দিমান্দশিং লৈঙাক্তা তকশিনখিবা




লামায় ৪

# কৌব্রুগী মতাংদা কম্ম্যুনেল শাগৎপশিংগী মথক্তা লৈঙাক্না অথুবা মতমদা ৱার্নিং পীগদবনি : কে কে এল

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস):

হৌখিবা চহী খরা অসিদা তৎতনা ফুরুপ অমনা মীতৈদা অতম্নমনা লাইফমশিংদা এটেক তৌরকপা কংলৈপাক কনবা লূপ মণিপুর (জুপিটর য়াম্বেম সেন্টর, পাওনা কৈথেল), ইম্ফালনা য়াম্না হকচিন্না লৌই অমসুং ঙসিমকসু ফুরুপ অদুনা মখোয়গা মরী লৈনবা সী এস ও খরনা কৌব্রুদা চঙবা য়ারোই হায়দুনা লাউথোরকপগী থৌওং অসি য়াম্না উশিত্তবা অমদি মণিপুরবু লমদম অমা ওইনা চহী লিশীং কয়াদগী ঙাক শেন্দুনা লৈরক্লবা মীতৈদা অতম্ননা শীংনবা অমনি হায়না লৌই হায়রি।

ৱাফম অসি কে কে এলগী সেক্রেটরি জেনরেল ঙমখৈঙাকপা লুৱাংনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মীতৈনা পুৱারীদা মখোয়গী লমদা শীংনরকপা অমত্তা লেম্না থাখিবা লৈতে হায়রি। মণিপুরগী ঙসি ফাওবগী পুৱারীদা মীতৈ নত্তবা অতোপ্পা ফুরুপ অমত্তনা পানখিবা লৈতে। অদুবু গ্লোবেলাইজেসন লাকপগা ইরোয়ননা ঙসিদি মণিপুরদা অতোপ্পা ফুরুপ ময়াম অমসু খুন্দাদুনা লৈররে। মখোয়বু ঙসি ফাওবা হন্থনা থন্বা অমদি তাথি তাওইনা তৌবা অমত্তা লৈত্রি হায়রি।

মণিপুরদা ঙসি লৈরিবা অতোপ্পা ফুরুপকী লাইশঙ ময়াম অসি ঙসি ঙরাং শাখিবা ঙাক্তনি হায়না লৌবা য়াই। চর্চ ময়াম অমা তম্পাক্কী লৌবুক-লম্খাংশিংদা পাক্তক্লা শাখ্রে অমদি হৌজিক শারি হায়রিবা ময়াম অসি মখোয়গী নুংঙাইগদবা মফম থিরগা খন্দোকচবা মফমদা শাখিবা ঙাক্তনি। হায়রিবা লমশিং অদু লৈশিনবা অমদি দোনেট তৌরকপনচিংবদগী চর্চশিং শাখিবনি।

তমদা লৈবা চর্চশিং অদু ঙসি ফাওবা মীতৈ অমত্তনা থিংখিবা লৈত্রি। অদুগা করিগী মীতৈগী য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা মী হায়বা কাঙলূপ অসিনা মালেমদা খুন্দা লৈতাবা হৌরকপদগী লৈরক্লবা নীংশিংবা থোক্রবা লাইফমশিং অসিবু মতৌ করম্না ফুরুপ অমগী এনসেষ্ট্রেল লেন্দনি হায়রিবনো হংলক্লি। এনসেষ্ট্রেল লেন্দনি হায়বগী চপ চাবা খুদম চাংদম লৈবাক মীয়ামদা উৎকদবনি। কৌব্রুগী লাইফম অসি মীতৈগী শেংলবা লাইফমনি হায়বসিদা কনা অমত্তনা য়েৎপা য়ারোই। মণিপুর অসি মীতৈনা পাল্লম্বনি হায়বসিদা ককপা ঙম্লগদি মীতৈ হায়বা কাঙলূপ অসি ঙসিমক লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎখিগে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মীতৈ ফুরুপ অসিসু মালেমগী মফম খুদিংমক্তা খুন্দা লৈতাদুনা লৈবা ফুরুপ মখল অমনি। অদুবু মসিগী হৌরকফমদি কংলৈপাক ঙসিনা মণিপুর হায়না খঙনরিবা লমদম অসিদগী হৌখিবনি। মলেমগী লৈমায় খুদিংমক্তা চহী চা কয়াগী মমাঙদগী খুন্দারক্লবসু ঙসি ফাওবা ঐখোয়না মীগী লম অমদি লাইফম মুনখিবা লৈতে অমদি মুনগে হায়নসু খন্দে। শম্না হায়রবদা অসাম, ত্রিপুরা, বর্ম্মা, বাংলাদেশ, অরুনাচল প্রদেশ অমদি মিজোরামদা তারিবা মীতৈশিংনা মীগী লাইফমশিংদা ঐখোয়গীনি হায়জিন্দুনা খৎননবা শিনখিবা লৈতে। অদুগা করিগী নৌনা চঙজফম পীদুনা খুন্দা লৈতারক্লবা ফুরুপ অসিনা মীতৈগী লাইফমশিংদা মখোয়গীনি হায়না তৎতনা ক্লেইম তৌরিবনো হায়বা ৱাহংসু হংলক্লি। মসিমক তাইবঙ মীওইবগী চৎনবী নত্তে অমদি ৱারকপা ৱাৎপা অঙাংনা তৌগদবা চৈৱাৎপগী খুদমনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কৌব্রু লাইফম ফুরুপ অমদি এনসেষ্ট্রেল লেন্দ নত্তে অমসুং ক্লেইম তৌবসু য়ারোই। মখা তানা করিগুম্বা ক্লেইম তৌরক্লবদি মদুগী অফ ফত্তগী থৌদাং ফুরুপ অদুনা পুগদবনি। কৌব্রু লাইফম ফুরুপ অদুগী মীওইগীনি হায়রগা হেক্তা তরাইনা য়েংগদবা লৈতে। মসিগী মতাংদা থাংজিং চীংবু মখোয়না থাংতিং কৌদুনা মখোয়গীনি হায়বা অমদি লৈমখোংদা লৈবা কৌনু লাইরেম্বীদা এটেক তৌখিবা কে কে এলনা তরাইনা লৌদে। ফুরুপ অদুগী মীওই খরনা কৌব্রুদা চঙবা য়ারোই হায়রগা হেক্তা তোকপা, য়ানি হায়রগনা হেক্তা য়াবা মদু মীতৈ ফুরুপ্পু উশিত্তবনি হায়না কে কে এলনা লৌই হায়রি।

লৈবাক মীয়ামদা মরু ওইনা মীতৈদা আপিল তৌরক্লদুনা চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লিবদি, করিগুম্বা অকি অখং লৈতনা কৌব্রু কাবীয়ু হায়বসিনি। মসিগুম্বা য়াম্না কম্ম্যুনেল ওইবা লোনচৎ অসি হন্দক্কী অসিনা অরোইবা ওইগদবনি অমদি মণিপুর লৈঙাক্না মসিবু য়াম্না লূম্না লৌবীদুনা খুদক্তা অথুবা মীফম অমা ফমদুনা ইস্যু অসি য়াম্না হকচিন্না লৌরগা সোল্যুসন অমা পুবিরক্কদবনি। মসিগুম্লবা য়াম্না কম্ম্যুনেল ওইবা ৱাখল্লোন শাগৎপা ফুরুপ অমগী মথক্তা য়ৈখাই থিনগাইবা পীবগী ৱার্নিং অমা লৈঙাক্তা অথুবা মতমদা থম্বীগদবনি। মসিমক মমাঙদা মোরেদা থৌদোক কয়া থোকখ্রবনি। মণিপুর ঙাক শেন্দুনা লৈরম্লিবা ফুরুপ অসিগী মথক্তা নৌনা লাকপা ফুরুপ অমনা খৎনবা হৌরক্লবা ফাওবা লৈঙাক্না তুমিন্না লৈথোক্লবদি কে কে এলনা তরাইনা লৌরোই হায়বা ৱাফমসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

## কান্টিন শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস):

লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সতা নৌনা শাবা কমপ্লেক্স অসিগী কান্টিনগী বিল্ডিং ঙসি লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফেয়রস মিনিষ্টর টি ঐচ সৈত্যবর্তনা শঙ্গাখ্রে। থৌরম অসিদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিন অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোল অমদি লৈঙাক্কীক লো সেক্রেটরি নুংশিতোম্বী অথোকপমনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা লো দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী কান্টিনগী বিল্ডিং শাগৎতুনা কোর্ট কমপ্লেক্স অসিগী দিভলপমেন্টেল প্রোজেক্ট পায়খৎলকপদা নুংঙাইবা পোকই হায়খি।

মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হৌজিক ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না মায়োক্নরিবা প্রোব্লেমশিং অসি শন্তাইননবা নৎত্রগা মসিগী লম্বী অমা থিনবগীদমক লৈঙাক্না হোৎনরগনি হায়খি। কান্টিন অসিগী মরু ওইবা থবকশিংদি ক্বালিটি লৈবা চিঞ্জাক, অফবা হোস্পিটালিটি অমসুং শিন লাংবগী থবকশিংনি হায়খি। থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী মায়কৈদগী কান্টিন অসিবু য়েংশিন্নবগীদমক কম্মিটি অমা শেমগদবনি হায়বা ৱাফম অদুসু মিনিষ্টরনা শৌগৎখি।

# ইলেক্ট্রিসিটি এমপ্লোয়শিংনা প্রীপেদ থিংজিনবগী খোঙজং চঙশিল্লক্কদৌরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস):

হৌজিক্কা এম এস পি দি সী এল অমসুং এম এস পি সী এল হায়দুনা খঙনরক্লবা ইলেক্ট্রিসিটি এমপ্লোয়জ য়ুনিয়ননা মখোয়গী ফংফম থোকপা সভেন্থ পে পীগদবনি হায়দুনা ঙরাংদগী চঙশিল্লকখিবা খোঙজংগী ঙসি নীনি চল্লকপদা মখা তানা ৱাকৎ মীফম ফমখিবগা লোয়ননা মখোয়গী দিমান্দশিং তকশিল্লদুনা রেল্লি চৎখ্রে।

ঙসিগী খোঙজংগী মতাংদা লোইশঙ অসিগী মায়কৈদগী সোরাম সনিবোয়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা মখোয়দসু সভেন্থ পে অমসুং থা ১৩গী তোলোপ পীগদবনি। ৱাফম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না হঞ্জিন হঞ্জিন্না অয়াবা পীরবসু ঙসি ফাওবদা থবক্তা ওন্থোরক্তবদগী খোঙজং চঙশিল্লকপনি। করিগুম্বা লৈঙাক্কী মীচং মীখায় নাইবা থৌওং অসি অদুমক চথরক্লবদি থা অসিগী ২০দগী প্রীপেদ থিংজিনবা অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক থিংজিনবগী খোঙজং চঙশিল্লক্লগনি। মসিগী মতুংদা মণিপুর পূম্বদা মৈগী টুটেল সটদাউনগী খোঙজং চথরকপা য়াই হায়খি।

নুমিৎ ১০নি ফাওবগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্না ইলেক্ট্রিসিটি এমপ্লোয়শিংদা ৭শুবা পে পীনবা খন্নবীয়ু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎতা লৈবা ইলেক্ট্রিসিটি ওফিস কেম্পস মনুংদা মসিগী এমপ্লোয়ীশিংনা ঙরাংদগী হৌরদুনা ৱাকৎ মীফম ফল্লকখিবনি।

ঙরাংগী মীফম অদুদা মণিপুর ইলেক্ট্রিসিটি এমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট আর কে শিবচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুর লৈঙাক্না শানখিবা ৱারীশিংদা য়ানদুনা লাকখ্রবা তরেৎশুবা পে লোইশঙ অসিগী এমপ্লোয়ীশিংদা ফংহল্লু হায়বনি। অদুবু ঙসি ফাওবদা থবক্তা ওন্থোক্তবনা এমপ্লোয়শিংনা পেন্দবদগী ৱাকৎ মীফম অসি চথুবনি। মসিদসু নত্তনা ইসেন্সিএল সর্ভিসশিংগী মনুংদা মকোক্তা য়াওরিবা ইলেক্ট্রিসিটি লোইশঙগী এমপ্লোয়ীশিংনি। হোম দিপার্টমেন্টনা জেলনচিংবা লৈরিবা ময়ামসিগী য়াওনা থা ১৩গী তোলোপ পীরিবা ঙাক্তনি। মসিগী খুদোংচাবা অসি লোইশঙ অসিগী এমপ্লোয়ীশিংনা ফংবা নত্তে। মরম অদুনা হান্নদগী য়ানদুনা লাক্লবা তরেৎশুবা পে অসি নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা পীবিয়ু হায়খি।

দিপার্টমেন্ট অসি কম্পেনিনা পায়রবা মতুংদা এম এস পি দি সী এল অমসুং এম এস পি সী এল হায়দুনা খঙনরবা মতুংদা য়াম্না মওং-মরীল তাদবা ৱাহে ওইরবা 'গ্রান্ট ইন এইদ' হায়না শীজিন্নে। এমপ্লোয়ীশিংদি মৈ হেক মুৎখিবদা নোংলৈ নুংশিৎ মরক্তা ওইরবসু অৱা অনা থওইদনা মথৌ পাঙথোক্লিবনি। মসিদা থা ৩/৩ লৈরগা তোলোপ পীবা হায়বসি অৱাবগী মশকনি। তোলোপ চাবগী মতুংইন্না ফংফম থোকপা থা/থাগী ফংজগদবদু থা ৩/৩ লৈরগা পীরকপদা এমপ্লোয়শিংনা মায়োক্ন রমগদবা অৱাবদু লৈঙাক্না খঙবীয়ু। মরম অদুনা এমপ্লোয়শিংদা থা খুদিংগী তোলোপ ফংহনবীয়ু। মসি নৎত্রবদি লোইশঙ অসিসু ইসেন্সিএল সর্ভিসকী মনুং চল্লগা মসিগী এমপ্লোয়শিং তন্থরকহন্নবগী মচাক ওইহল্লে। মহাক্কী মায়কৈদগীসু চীফ মিনিষ্টরগা শোয়দনা উননবা হোৎনগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক্তি মৈগী ফীভম ফগৎলক্লবনিনা চীফ মিনিষ্টরদা হায়জবদসু তাবীগনি খল্লি। লাইন মেন অমনা মৈ শেম্বা চৎপদা তরা তৎপদগী চীংদুনা শিবা য়াওরিবনি। মসিসু মরন্নাই তারগা তোকহনবা চুমদে। কম্পেন্সেসন্নচিংবা মতম চানা পীবীগদবনি। অসিগুম্বা কয়াসি খঙবীদুনা লৈঙাক্না থবক লৌখৎপীয়ু হায়বগা লোয়ননা ৱাকৎ মীফম অসি ঙসিসু চথখি। করিগুম্বা লোইশঙ অসিগী এমপ্লোয়শিংনা তাক্লিবা দিমান্দ অসি থবক্তা ওন্থোকপীরক্রবদি মৈ মুৎপগী ফীভম ফাওবা লাকপা য়াই। অকনবা খোঙজং চঙশিন্দুনা লোইশঙ অসিগী এমপ্লোয়শিংগী থবকশিং অসি করিনো হয়বদুসু খঙহল্লক্কনি হায়রি।

# কৌব্রুদা লাইশঙ মৈ থারম্বগী মায়োক্তা এপ্রিল ১৯দা উকলনা মীফম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস):

কৌব্রু কন্নবা, ঈনাৎ শক্তম কন্নবা তোঙান তোঙানবা খোঙজংশিং শেম শাবা লোইরে হায়রদুনা কৌব্রু লৈখাদা লৈবা লাইনীংথৌ সনামহীগী লাইশঙ মৈ থারম্বগী থৌদোক অদুদা চেন্নবশিং মণিপুর লৈঙাক্না ফাদুনা পুথোরক্লগা চৈরাক পীদ্রবদি শিবা চঙবা কিদনা মসিদা থোরকপা থৌদোক খুদিংমক্কী থৌদাং লৈঙাক্না পুগদবনি হায়না উমংলাই কনবা লূপ (উকল) গী কনভিনর মুতুম মনিতোন (ঙানবা) না লাউথোকখ্রে।

কোনুং মমাঙগী পুরৈরোম্বা খোংনাংখোঙ মনাক্তা লৈবা উকলগী ওফিসতা ঙরাং পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা লূপ অসিগী কনভিনর মুতুম মনিতোন (ঙানবা) না ফোঙদোকখিবদা কৌব্রু লৈখাদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহীগী লাইশঙ মৈ থারম্বা অসি য়েংশিল্লে। মৈতৈগী লাইশঙ লাইফমদা শীংনদুনা মাঙহন তাকহনবা অমসুং মৈ থাবা হায়বসি য়াম্না থম্মোয় শোকপা অমনি। মসি য়ৌনা তৌরক্লবদি ঐখোয়না খাঙদুনা তুমিন্না লৈবা ঙম্লক্ত্রে। কৌব্রু কন্নবা অমসুং ঈনাৎ শক্তম কঞ্জনবা তোঙান তোঙানবা মখলগী খোঙজংশিং চঙশিন্নবা শেম শাবা লোইরে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, পোকপা, শিবা অমসুং হিংবা হায়বসিদা মৈতৈগী য়াম্না মরু ওইনা মরী লৈনরিবা কৌব্রু চীংগী লাইফমশিংনি। কৌব্রুনা ঐখোয়গী লৱাই লেম্ফুনি হায়না লৈরক্লিবা মফমনি। মীতৈগী পুৱারীগী খোঙ্গুল লৈজবা, পুৱারীগা শাগোন্নজবা অমসুং অহকপা লাইফমলেন ওইজরিবা কৌব্রুনি। মসিদা কাবা য়াদবা, লাই খুরুম্বা য়াদবা, লাইশঙ শাবা য়াদবা হায়বসি ঐখোয়গী শক্তমদা, থৱায়দা অমসুং হকচাংদা শাথীনা অকায়বা অয়েৎপা পীবনি অমসুং মৈতৈগী পুন্সিদা অকায়বা পীবনি হায়রি। মরম অদুনা তুমিন্না লৈথোক্লোই চপ চানা থেংনগনি হায়খি।

হৌজিক চথরক্লিবা থৌওং অসিদি য়োংনা লৌ মপু তানবগী থৌওংনি। মরম অদুনা কৌব্রু লৈখাদা লাইনিংথৌ সনামহীগী লাইশঙ মৈ থারম্বা মীশকশিং ফাদুনা পুথোক্কদবনি। লোগী ওইবা চৈরাক মীয়াম খঙনা পীগদবনি। মসিদা লৈঙাক্না ফাদুনা পুথোক্তবা তারবদি এপ্রিল ১৯ (নিংথৌকাবা) নুমিৎতগী মণিপুরদা লৈরিবা লাইথৌ অমত্তা পাঙথোল্লরোই। চথুদুনা লৈরিবা লাই হরাওবা ওইরবসু লেপ্তুনা য়ানীংদবা ফোঙদোক্কনি হায়খি।

নুমিৎ অসিগী নুমিদাং পুং ৯ তারকপদা বাংলাদেশ, ত্রিপুরা অমদি অসামনচিংবদা লৈরিবা মীতৈশিংনা খোল্লাউ কয়া লাউগনি হায়খি। মসিগী মতুংদা ফাওবা মণিপুর লৈঙাক্না থবক পায়খৎলক্তবদি এপ্রিল ২০দা অখন্নবা মীফম অমা ইম্ফালদা পাঙথোক্কনি। অদুগা মসিগী থংনবা এপ্রিল ২১দা কৌব্রুদা থোমজিন্দুনা লাইফম ঙাক শেনগনি অদুগা ঈশা ঈশাগী শক্তম কনফম থোকই খন্দুনা মীয়াম্নসু শরুক য়াবীয়ু। খোঙজং অসি শিবা চঙবা খঙদনা চঙশিনগদবা খোঙজংনি। কৌব্রু লাইফম মাঙবা হায়বসি পুন্সি মাঙবগা চপ মান্নে। লাইশঙ মৈ থারম্বা অসিদা চেন্নবা মীওইশিং লৈঙাক্না পুথোক্তবা তারবদি উকলগী মায়কৈদগী মখোয়গী খোঙ্গুল লিরগনি। মসিদা থোরকপা অফ-ফত্ত খুদিংমক্কী থৌদাং লৈঙাক্না পুগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা সোসল মীদিয়াদা ৱাকায় ঙাঙদুনা ফোঙদোকপা/থাগৎপা তৌবীরক্নু। ঙাঙবগী মহুত্তা থবক ওইনা পাঙথোকসি, থোকপীরকউ। এপ্রিল ২১দা পাঙথোক্কদবা মীফমদা শরুক য়াবীয়ু। অপাম্বশিং ফোঙদোকপীদুনা অফবা পাউতাকশিং পীবিয়ু হায়নসু মহাক্না পাউমীশিংগী খূৎথাংদা আপিল তৌখি।

# এম পি পিগী চয়েৎনবদা ঈ সী আইনা খূৎ থিংজিনবগী হক লৈতে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস):

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১২দা মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি) বু অন রিকগনাইজ (ওথোরাইজ) পার্টিনি হায়খ্রবসু পার্টি অসিগী মনুংদা লৈরিবা চয়েৎনবদা ঈ সী আইনা খূৎ থিংজিনবগী হক লৈতে হায়না খোংবান্তাবম সরতচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙরাং পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এম পি পিগী ন্যুত্রেল বোদি সেন্ত্রেল কম্মিটিগী কোওর্দিনেটর অমসুং ওবজার্ভর কম্মিটিগী মেম্বরসু ওইরিবা কে ঐচ সরতচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, চৎনবা য়াদবা কয়া অমা এম পি পিদা পুশিন্দুনা অরানবা অমসুং নমথাক কয়া চথুদুনা লাক্লি। এম পি পিগী হৌজিক চয়েৎনবা কয়া লৈরিবসি ফন্দ লান্না শীজিন্নবা, পার্টি মনুংদা মাগী মাগী গ্রুপ শেমদুনা অহুম থোকপা অমসুং এম পি পিগী মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনবদগীনি। ও জগিন্দ্রোনা প্রসিদেন্ট ওইবা মতমদা ঐচ গিতাজেননা লুপা লাখ ৭৫ অমসুং লিশীং ৯০ পুরগা মীখলদা শীজিন্নখি হায়বসিদা প্রসিদেন্টনা খঙদে হায়খি। অদুবু শেল অদু শীংবগী অয়াবদি প্রসিদেন্টনা অমুক পীরি। মসিদা খঙদে হায়বা য়ারোই। অদুনা পার্টিগী ফন্দ লান্না শীজিন্নবশিংগী মথক্তা রেসপোন্সিবল ফিক্স তৌরে হায়খি।

পাঙথোকখিবা ১৭শুবা লোক সভাগী মীখলদা এম পি পিগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা ও জুগিন্দ্রোসু মীরেপ ওইখি। ইলেক্সনগী এক্সপেন্দিচরদা চয়েৎনবা থোরকপদগী ওবজার্ভর কম্মিটিনা ফাইনান্স কম্মিটিগী মথক্তা থিজিনবা হৌখিবনি। ফন্দ লান্না শীজিন্নরগা গ্রুপ নাইনা থোরকপসিদা মীয়াম্না লান্না উবীগনু। ওথোরিটি অসি সেন্ত্রেল কম্মিটিনা ওইবা মরম্না থিজিনবা হৌরকপনি। ওফিস বিয়ররশিং য়াওনা মখোয়গী রিপোর্ট লৌবদগী ইলেক্সন অদুদা শীজিন্নখিবা শেনফমশিং অদু লান্না শীজিন্নরে হায়বা খঙলকপনি। মসিদা মরু ওইনা শেল পুবা অমসুং শেল খোমগৎলম্বা অসি এম পি পিগী সেক্রেটরি ওইরম্বা ঐচ গিতাজেননি হায়রি।

লোয়ননা পার্টিগা মরী লৈননা লাকপা অমসুং দুকান্দগী কারকপা ভারা অমদি পার্টিগী মেম্বর ফী অমসুং লোন্নচিংবা কয়াসু পার্টিগী বেঙ্ক একাউন্টতা দিপোজিৎ তৌহল্লমদ্রে। পার্টিগী ফাইনান্সিএল রুল ২০১৩গী মতুংইন্না পার্টিগা মরী লৈনবা অরাকপা শেল খুদিংমক বেঙ্কতা দিপোজিৎ তৌবগা লোয়ননা কেশবুক্তা প্রোপর ইনক্কারি তৌরগা চঙগদবনি। মরম অসিনা ফাইনান্সিএল রুল ৩ (এ) (৬) ভাইওলেট তৌবগী থৌওংনি। ফাইনান্সিএল মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা মেম্বরশিংদগী ষ্টেটমেন্ট অমদি মখোয়গী ৱিটনেস ওইনা ওফিস বিয়ররশিংদগী ৱারোল পূম্নমক তারবা মতুংদা ইভিদেন্স ময়াম অসি য়েংলগা পার্টিগী ফন্দ লান্না শীজিন্নখ্রে হায়বসি খঙলকপনি। মরম অদুনা চেন্নরিবা মীওইশিং অসি মরাল লৈরে হায়বগা লোয়ননা মখোয়গী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলগনি হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

## কোরেন য়ুথ ওর্গনাইজেসন মণিপুরগী থৌ পুবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস):

থাংমৈবন্দ কোইরেং কোলোনিদা লৈবা কোরেন (কোইরেং) য়ুথ ওর্গনাইজেসন মণিপুরগী কুমজা ২০২১-২০২৪গী থৌ পুনবা খল্লবশিং ৱাশক লৌবগী থৌরম অমা থা অসিগী ১৪দা কোরেন কোলোনি বেপটিষ্ট চর্চ, লম্ফেলদা পাঙথোকখ্রে।

ৱাশক লৌখিবশিং অদুদি আর ঙিরসোরেং (প্রসিদেন্ট), এস জে াসেফ (ভাইস প্রসিদেন্ট), সোংকম মাইতে (জেনরেল সেক্রেটরি), জেদ রাংসোন (এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি), টি সিংচুওং (ফাইনান্স সেক্রেটরি), এল রেংদোন (সেক্রেটরি, গেমস এন্দ স্পোর্টস), টি সোনরাং (সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি) অমসুং সংথের ৱানবে (ওদিটর) নি হায়রি। অনৌবা থৌ পুবশিং অসি অদিম জাতি কমপ্লেক্স, চীংমৈরোংদা লৈবা এমিটি হোলদা এপ্রিল ৫দা পাঙথোকখিবা ওর্গনাইজেসন অসিগী জেনরেল বোদি মীটিং কম ইলেক্সনগী মতুংইন্না খনখিবনি হায়রি।

## ফ্রীদম ফাওন্দেসনগী কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস):

ইম্ফাল ৱেষ্টকী অৱাং খুনৌদা লৈবা চ্যেন ওফ ফ্রীদম ফাওন্দেসনগী ৬শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

মপোক কুমওন থৌরম অসি পুন্সিগী অনৌবা খোঙথাং হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অসিদা ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) গী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাং অমসুং মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) কী প্রসিদেন্ট খাঙেম্বম বিদ্যাসাগর অমদি অৱাং খুনৌ জি পিগী মেম্বর হাওরোকচাম্বম ইবোমচানা প্রেসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইদুনা শরুক য়াখি।

## টেম্পররি মার্কেটতা পাঙলশিংদা চাদা ৩০গী পোৎফম পীবিয়ু

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস):

চহী ৫০০ হেন্না লৈমিন্নরক্লবা মীতৈ পাঙলশিংনি হায়রদুনা নুপীশিংনা কৈথেল থোরক্লিবসি পুকচাক্কী লানদা থোরকপনি। মরম অদুনা টেম্পররি মার্কেটতা ৪শুবা কৈথেলগী শঙশিং শাগৎলিবা অসিদা চাদা ৩০দি পাঙলশিংগী রিজার্ভেসন পীবিয়ু হায়দুনা পাঙল পোলিটিকেল ফোরমগী ৱাঙাঙলোই এম আই খাননা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙরাং পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, হান্নদি পাঙল নুপীশিংনা কৈথেল থোক্লগা শেল তানবসি চাদা ১০ খক্তা ওইরম্বদু হৌজিক্তি চাদা ৬০গী চাংদা মপান থোরক্তুনা শেল তান্নরক্লে। অদুনা ফম্ফম লৈত্রবসু চানবনা মরু ওইবনিনা ষ্ট্রীট ভেন্দর হায়বা ৱাফমসি থোরক্লিবনি। অদুবু ষ্ট্রীট ভেন্দর ওইনা ফম্লিবশিং অসিদা পুলিসকী মায়কৈদগী চথুরিবা থৌওং অসিদি হেনমল্লে। মরম অদুনা মখোয়গী চারা তাঞ্জরিবা অসিগীদমক খনবীরগা ফুবা চৈবগী থবকশিং লেপহন্নীংই। পুলিসশিংসু মথৌ পাঙথোক্লিবনি অদুবু ষ্ট্রীট ভেন্দর ফম্লিবীশিং অসি মচে, মচল অমদি মচা ঙাক্তনি হায়দুনা খনবীরগা খরদি লেপ্পীবা চুমগনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা হায়, পাঙলশিংগী মশীংসি হৌজিক হেনগৎলকপা অদুবু লমদি পিকশিল্লকপা অসিদগী শুফম নোমফম লৈরক্তবা মরম্না ষ্ট্রীট ভেন্দরগী মীশিংগী মনুংদা পাঙলশিংনা ১৫০০ রোম শুরক্লে। হান্না কৈথেল অহুমদা ফমখিবা অসিদা পাঙলগী খুদোংচাবা ফংখিদে। হৌজিক লুরিবদি কৈথেলদা লৈরিবা ইমা লূপ কয়ানসু শেল পীরবদি পোৎফম পীগনি হায়বা ৱাফম লাকপদগী মহাক মশামকসু চৎতুনা উনরুরে হায়খি। মসিদা ইমাশিংগী মায়কৈদগীসু য়াবীরক্তুনা পাঙলগী শরুক খাকপদা অয়াবা পীবিয়ু হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরগসু মসিগী মতাংদা ৱারী শানখিবা লৈখ্রে। মদুদসু পাঙলশিংগীদমক অহেনবা মীৎয়েং থমগনি হায়নসু ফোঙদোকপীখিবা লৈখি হায়রদুনা মসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিনখি।

# নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি, ২০২০গী এৱেয়ার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস):

ষ্টেট প্রোজেক্ট দাইরেক্টোরেট (রুসা), মণিপুরনা স্পোন্সর তৌদুনা নোংমগী ওইবা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি-২০২০গী মতাংদা তমেংলোং কোলেজদা এৱেয়ার্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী প্রোগ্রাম অদুদা য়ুনিভর্সিটি অমসুং হায়র এদ্যুকেসনগী জোইন্ট দিরেক্টর অমসুং রুসাগী ষ্টেট নোদল ওফিসর ডা. টি ওজিৎ, আইদিএল গর্লস কোলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. টি ঐচ তিলকরাজ, মণিপুর কোলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর এস বিরজিৎ অমসুং তমেংলোং কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. এন দাইমৈনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং প্রসিদেন্ট ওইখি।

প্রোগ্রাম অসিদা কোলেজ অসিগী হিষ্টোরি দিপার্টমেন্টকী এসোসিএট প্রোফেসর আলিয়াংলু পানমৈনা মোদরেটর ওইখি। লোয়ননা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি, ২০২০গী মতাংদা খন্নরকপদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংগী প্রিন্সিপালশিং, কোলেজ অসিগী এলুমনাইশিং, মহৈরোয়শিং, ষ্টাফশিং অমসুং এদ্যুকেসনিষ্টশিংনা শরুক য়াখি।

এৱেয়ার্নেস প্রোগ্রাম অসিগী মনুং চন্না কোলেজ অসিগী হিষ্টোরি দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ঙমপিঙম্পৌনা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি, ২০২০ : চেলেঞ্জেস এন্দ ওপোর্চ্যুনিটিস হায়বসিদা অইবা চেরোল পাথোকখি। অদুগা এন ঈ পি, ২০২০ ৱিথ স্পেসল রিফরেন্স টু হায়র এদ্যুকেসন হায়বা টোপিক অসিদনা রোজ গোলমৈনা ৱা ঙাঙখি। থৌরম অসি কোলেজ অসিগী আই ক্যু এ সীগী জোইন্ট কোওর্দিনেটর দেভিদ জিয়াঙমলুং কামৈনা ভোট ওফ থেঙ্কস পীরগা লোইশিনখি।

অমরোমদা ঙরাংসু কোলেজ অসিগী ইন্টরনেল ক্বালিটি এসুরেন্স সেল (আই ক্যু এ সী) না শীন্দুনা এন এ এ সী, এন আই আর এফ অমসুং এ আই এস ঐচ ঈগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা পাঙথোকখি। প্রোগ্রাম অসিসু লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসননা শীনবনি।

কোলেজ অসিগী মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ অদুদা আই ক্যু এ সীগী মীহুৎশিং, রিছোর্স পর্সনশিং, কোলেজ অসিগী মহৈরোয় অমদি ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখি। কোলেজ অসিগী ইকোনোমিক্স দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর মাখৌ গাংমৈনা মোদরেটর ওইখি। ৱার্কশোপ অসিদা কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ডা. এন দাইমৈনা ৱাহৌদোক পীখি। এসোসিএট প্রোফেসর ডা. কিনথুইজিনাং মারেনম্মাইনা আই ক্যু এ সীগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি। অদুগা এন এ এ সী : রিভাইস এসেসমেন্ট এন্দ এক্রিদিটেসন ফ্রেমৱার্ক হায়বসিদনা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর এন জি টুৱাক্লুলুংনা ৱা ঙাঙখি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF HANDLOOMS & TEXTILES**

ꯑꯈꯪꯍꯟꯕ / N O T I C E

Imphal, the 17th April, 2021

No. Estt.-21/H&T/2018 : In continuation of this office Notification of even number dated 27-03-2021 and No.Estt.-145/H&T/2021 dated 27-03-2021 for recruitment of different posts on direct recruitment on temporary (regular basis) and contractual basis in the Directorate of Handlooms& Textiles, Manipur that the last date of sponsoring of candidates by all the Employment Exchanges of Manipur was extended upto 26-04-2021 and last date of submission of online application is also extended upto 30-04-2021. Issue of Admit Card will start from 10-05-2021.

Sd/-
Director of Handlooms & Textiles,
Manipur

HL-B/6937/18

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE FOR WELFARE OF OTHER BACKWARD CLASSES & SC**
**SECURED OFFICE COMPLEX, AT-LINES, IMPHAL**

ꯇꯦꯟꯗꯔ/ ***TENDER NOTICE***

Imphal, the 12th April, 2021

**No. 2/F(CSS)/SCA/T(Fishery)/OBC&SC-2020** /1079: As approved by the Work Advisory Board (WAB) of the Department of OBCs & SC, Government of Manipur in its meeting held on 26/09/2020 and as conveyed by Secretariat: OBC & SC, Department, Government of Manipur vide letter no. BOP-3/4/2021-OBC and SC dated 27/02/2021, Tenders in 2 (two) bids system (Technical and Financial) are invited through e-tender for supply of ***Fish fingerling / yearling*** under Fishery Scheme. The estimated cost of the bid is Rs. 52.00 lakh.

2. Tender is to be submitted on-line through e-procurement /tender portal https://manipurtenders.gov.in

The critical dates for the tender are as follows:

| Particular | Start Time & Date | End Time & Date |
|---|---|---|
| Publishing/downloading Tender Documents | 11.00 hrs of 20-04-2021 | 11.00 hrs of 11-05-2021 |
| Seeking Clarification | 11.00 hrs of 20-04-2021 | 14.00 hrs of 28-04-2021 |
| Submission of Bid Securing Declaration & Tender Fee as Bank Draft in original | 11.00 hrs of 20-04-2021 | 14.00 hrs of 07-05-2021 |
| Submission of on-line Tender Documents | 11.00 hrs of 20-04-2021 | 11.30 hrs of 11-05-2021 |
| Technical Bid Opening | 13.30 hrs of 11-05-2021 | |
| Price Bid Opening | 13.30 hrs of 15-05-2021 | |

3. Other details can be seen in the bidding documents.

4. Modification/Amendment/Corrigendum, if any, shall not be advertised in the newspapers, but shall be uploaded in the aforementioned website only.

5. Both the technical bid and price bid will be opened in the Directorate for Welfare of OBC &SC, Manipur, 1st Floor, South Block, Secured Office Complex, A.T. Lines, Imphal.

***Sd/- Ng. Bhogendra Meitei***
Director (Welfare of OBCs & SC)
Manipur

HL-B/6935/18